# অওনবা মতমগী খোঙলৈদা মাঙশিল্লক্লিবা শক্তম : অদুঙৈগী শিংঙেল লৈরাং থম্বালগী লাইবক্লা করম থোক্লগবা?

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

মহাকবি অমগী ময়েকশিংনি - “ঈমায় চোনবা লৈকোন পুখ্রিগী অথেনবা মতাই ওইবদা থম্বাল কৌবী লৈরাংনা খুঞোংখাদা নোংম নোংমগী মপূং ফারকপদি - পুংকক চাওরকপগী নিংথিবা ফিজেৎনা লৈতেংলবী নুপীমচাশিংনা মমা, মচেমগী নাক্তা লৈজদুনা তমজনফম্নি। থম্বাল পুংকক চাওরকই। ... তাইবঙ সতীগী পূক্লিং লৌদুনা জীবদা জোগীশিংনা পাউতাকপি। অসিগুম্বা যোগীশিংবু থম্বালনা নামাগী মশিং তাকপী। থম্বাল মাগী মগুন্দি নিংথিজে। শিঙেল মপাল লৈরাং ওইবা, মহৈ তাওজিং হৈ ওইবা, মনা তাংগলা ওইবা, মবুক-হোবা-মক্তবা খাংহৈবগী লংজানা মপুরোইবগী মফমদা লৈরাং মাগী থমোয়দগী তৎন-থান-লৈতবী থম্বালগী পুন্সি ওনখরে।”

(হিজম অঙাংহল সিংহ, থম্বাল) অসুম্না মহাকবি অসিনা থম্বাল লৈরাংগা মরাইবক থীরবী, মতাৎ হৈরবা খোইমুগা পাংখক ওইরবা নুপাগী লৌনম নমথাক লাংদা থুরুবনা অৱা মৈশা লাংহৌরবী, অদুবু অখাঙ কনবী, লাঞ্জদবী নুপীজা ওইবীগী পুন্সিগা চাংদম্নরি।

মতম অমা লৈরম্মী, ঙরাংতনি হায়বা য়াই। পোক্লফম লমদম ইমা মণিপুরগী মশাইগোনসে লৈশক লৈচু হেল্লবী, তঈং-তঈংবী লৈনম্না তাইবঙ পূক্লিং হুবী শিংঙেল থম্বাল লৈরাংনা পূঙান হেক ঙাল্লম্মী। পুখ্রিদবু কূম্লুরে অঙাংবা, অঙৌবা থম্নালক্তা অদুম্মক শাৎচরম্মী। পাৎয়াদবু কোয়রুরে পোমজরিবী, পোমশাৎনরিবী, লৈকা ফন্না শাৎচবী, নিংখায়গদৌরবা শম্বুলগী মতৌগুম কেন্নিংদ-কেন্নিংদ খাঙজবী কয়া অমনি। মীৎসে ইথন হেক থনবজাৎনি। মদুদদি শৈথাদনা লৈথোকপা ঙমখিদে, শৈথাজখি অসুম্না - হাদ থম্বাল লৈনুংশি/শিংঙেল লৈরাং হেন্থোইবী/ তাইবঙদা লেন্নগে মতাগুম/নিংঙাইদ লৈশাৎ তম্বদি/নথংলেন কনাবু ঙাইবনো?/ওইজবা থিবা কনাগী/নুংশি হৈত মশাজৎ/ লৈরাং লৈকা লৈশেৎননা/চোইজাইননা কেলহনবা শিংঙেলবু/ তাইবঙ মপুগী থৌশিল্লা?/নোংদম্বা মাগী খূজিল্লা?/অদুবুনে শকহেনবী থম্বাল-ও!/ৱাশক চেৎপী শিংঙেল-ও!/মপোক লাংওন খুদিংদা/ঙানবীয়ুকো লাইজ ঈরেনথক্তা। খোরি খোরি খোৎচিনজখি, চহী মরি/মঙাগী মমাঙদনি। ৱাইথৌ পাৎকী থম্বালশিংবু উরুবদা ফাওরকখিবা ইথিলনি।

য়াম্না কুইরবগী মমাঙদা লাইরিক অমা পাখি। ‘পিথাদোই’, অইবীনা রাধেস্না হায়বমাল্লে, ঐনা অসুম নীংশিংবদা মদুই লাইরিক্তু ঐগী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা নোবেল অমা পাবগী মহাউ অদু চপ চানা ফংবা ঙমখি হায়না খল্লি। কনাগুম্বা অখঙ অহৈ খরনদি পিকমল্লি, নোবেল কৌবা য়ারোই হায়রম্বসু য়াই। ওইনীংবা ওইজসনু ৱারীদুগী প্রোটোগোনিষ্ট ওইরিবা য়াইমা (তায়ামা মাগী চান্নবী চারুখক্তগী ওইবা মিংগৌনি) অমসুং চারু অনীগী নুংশি ঈচেলদা শিংঙেল লৈরাং থম্বালনা য়াওশিল্লখিবা মতাংদুনি, কাউঙমদ্রবা মতাং ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী কাউঙমদবসি। লোয়ালমদা পোকখিবী চারু লৈশাবী খরা খরা ফাজরক্লবফাওবদা ইম্ফালদা লৈবা অপোকপা মপাগী নুংশিবা ফংদনা লৈরকখি। অপোকপী মমা লাইরম্লেন্দা তিনখ্রে। মমা পোকপী মবোক্লা নাউকোনবীরকখি। মবোক্লা লৈখিদ্রবা মতুংদা মপানা মাবু ইম্ফালদা পুখৎপিখ্রে। ইনাক কৈরাক খুল্লবা মপাগী মনাক্তা লৈদুনা মহৈ মশীন তমদুনা ডোক্তর ওইখি। মদুনা চারুগী নুংঙাইবদি ওইখিদে। মহাকপু নাউকোনবীরকখিবা খুঙ্গংদো মীৎকুপ অমা ফাওবা কাউঙমখিদে। মহাক্কী নুংশি খোঙবুরোই ওইরকখিবা মাগী তায়ামাবু মথম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নজখি। নোংমা লৌবুক্তা থবক শূবগী ৱারদুনা ঙাইহাক লৌরীদা ফমদুনা পোখারিঙৈদা য়াইমনা থম্বাল চবুল অমা বুপ লাউনা মতম্বাক্তা থাদরকখি। মহাক্লা ইকায়না খাঙজখিবা, চম্লবা থম্মোয় অনীগী নুংশি মরীবু চেৎশিনহনবা থৌদোক্লি। হৌজিক মতমগী অমনবা রেষ্টুরেন্টকী ৱারী নত্তে। মাগী তায়ামাগী নুংশি খুদোল থম্বালদু চারুনা কৈদৌনুংদা কাউবা লৈখিদে। য়াইমা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখি। চারু লৈশাবী ওইনা অদুম্মক লৈখি, লৈত-লায়র, অশোন-অনাশিংগী য়াইফনবা তৌবনা মশিঞ্জাং ওইখি। মতমদুদা খনখি, কয়াদা লাইবক ফবী চারুনো। তশেংনমক ঐ অদুগুম্বা থম্বালদুগী মপু ওইজনীংখি। থম্বালবু পামদবা, মিহৌদবা কনাবু য়াওরমগনি, থাজদে।



মতম অমদা কাং, কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানী জন্মনচিংবদা লৈশাবী পাখং শঙ্গু শঙ্গু থম্বাল হেকপা, থমচেৎ চাবা চৎনরম্মী। ৱারী অমা লৈ, থমচেৎ চাবরা হায়ববু চৈ চাবগী ৱারীনি। ঐখোয় লৈকায়দা লৈবা ইচেশিং অমগী ৱারীনি। মতম অদুদা লৌশি পাৎ অসি থম্বালগী মশাইকোনমক্লি হায়বা হেক য়াই, মকুম মথা য়ৌরকপা মতমদদি পুমঙান ঙানবীনি। পঞ্জখ্রিবা কুম্মৈশিং অদু লাকপা মতমদা লৈশাবী পাখংনা ইন্দো বর্মা রোদতো পূমনিল হেক নিংদুনা, মদুমক্তা য়েংবদা কুম্মৈ অমা ওইবনি। ইচেখোয়দুসু মাগী মাগী খঙনজবশিংদুগা সাইকল অমমমদা পুংবা পুংবা চৎমিন্নরিবজাৎনি। মখোয়গী মরক্তগী খরা মঙাউ থীবী অমদি মানা সাইকলদু থৌগায়রগা মাগী কৈনোদুনা কেরিয়রদা তোংহল্লগা মী লাই কিদবীদা চৎলুরে হায়। মদাউনা য়াদ্রিবসু মবুংদুসু মমান্নবশিংগা লাকপজাৎনি। উগনু য়াদবনিনা উথোকখ্রেদো। শাথীখ্রবা মবুংনি, হল্লকপদদি কনথবীরেদো মচন্দু। য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তম্লিঙৈদনি, লিলোং অরাপতিদা কোয়বা চৎলি। কৃষ্ণ জন্ম নুমিত্তনি, তনখা পাত্তা ইথন-ইথন হি তোংলগা থম্বাল থমচেৎ হেক্লিং হেক্লিংবা হেক্লম্মী। থম্বাল থমচেৎ ময়ামদু উবদা ইথক থক্কত্তুনা ঐখোয়না লাঙবদুদি। ঐনা খরা হেন্না লাঙখ্রবরা, মায় থকপা হায়দুরা, কনাসু করিসু তৌদে, ঐদি হিদগী থোক হেক ওন্থে থম্না থম্বালনা কৃক-কৃক ইন্নবা মরক্তুদা। ইকায়বনে, মখোক্তুনা য়াৎপনে কপ্লীংবজাৎনি। থম্বালনিবু হায়রবদি পাম্নবনা। লাইদা কৎলবসু মহয় য়ৌগদবোই নীংই। কাং চিংবদা কাং মথক্তগী লংথরকপা থম্বালদু মুন্নবদা শিগনি নাগনি খলহন্দবা ঙম্মী। অদুক্কী মতিক মগুন লৈবী মীনসু, লাইনসু পাম্বী থম্বালনি। থম্নাদা খেৎ্রি য়োম্বদো য়াম্না পকচবনি, ওইনম্না হাওবনি। মীগী ৱাদি খঙদে ঐখোয়গী ইমুংদি চাবদা য়েমৌনরবদি থাংজ নুমিত্তা হেকপা থম্না নৎত্রগা থম্বাল ফূৎলগা থকই। ফবসু অদুম ফৈ।

মাগী মতিক ময়াইসিননি, লমদম অসিগী তাঙলবা লন অমা ওইরিবা লৈরোলদসু থম্বালগী ৱারী ৱাখোঙ শৈথারি। মোইরাং নিংথৌ ফাং পোংলেনহনবগী য়াথং মতুং ইন্না মনাইশংনা মশক খঙবা ঙমদবা পাম্বী অনীখক কেগে লোক্তাক খোঙবান অমদি মোইরাং লাহেনলিদা থারম্মী। মতম খরগী মতুংদা ইঙা কুমদমলকপা, ইঙেন কুমখাইরকপা মতমদা থম্বাল ওইনা হৌরক্তুনা লৈশাৎ তম্লম্মী মতম অদুদা মোইরাং নিংথৌনা মনাইশিংদা অসুম্না হায়রম্মী - “ইদাইরেমশা নহান লোইদাম মমাঙথাদা কেগে লোক্তাক খোঙবান্দা থাখিবা পাম্বী অনীদু হৈরাংলে লৈরাংলে য়েংলুরো।” মনাইশিংনা নিংথৌগী য়াথং পুরদুনা লাহেনলিদা চত্তুনা য়েংলুবা মতমদা লাইজ ঈপাকথক্তা অঙৌবা লুপাগী মচুগুম্বা লৈরাংনা ফূগাইনা শাৎলম্মী। লোক্তাক খোংবান্দা থারিবা পাম্বী অদুনা অঙাংবা লৈরাং শাৎলম্মী। অঙৌবা লৈরাং অদুনা লুপা কোনফূ মনুংদা হাপ্পগা থম্লম্মী। অদুগা অঙাংবা লৈরাং অদুবুনা সনা কোনফূ মনুংদা হাপ্পগা থম্লম্মী। মতৌ অসুম্না কোনফূ মনুংদা হাপ্পগা থম্মী হায়দুনা কোনবা থম্বাল হায়না কোলোই মিংথোনখি। লৈরাংগী লৈশক লৈচু উবদা মোইরাং নিংথৌ অদুক্কী মতিক পেঞ্জরম্মী। লৈরাং অদু ইবুধৌ থাংজিংদা কৎলবা মতুংদা লৈমন্দু ওইনা লৌরম্মী। মতৌ অসুম্না থম্বালগী হৌরকফম অমসুং মতিক মগুন শৈথারিবসিনা তাক্লি মদুদি মণিপুর খুন্নাইগা লৈ অসিগা অঙনবা মতমদগী হৌনা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈরকই।

মতম অমগী থৌদোক ৱাথোক, ৱারী শীংবুন, লাইনিং লাইচৎ অমদি নাৎকা মরী লৈনবা থম্বাল নোংম নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়গী মফম ওইরম্বা পাৎ কয়া লৌ ওন্থোকখ্রে। য়ুম কৈ শাজিনবসু য়াওরে। খুদম খরা পঞ্জরবদা মীৎনা উনা উনা লৌশি পাৎকী থম্বাল মীৎমাঙদা লম্মাঙনখি। ৱাইথৌ পাৎকীসু অদুমঙায়, মঙগা চপ মান্নে। তনখা পাৎকী মপাউসু নুংঙাইনিংঙাই ওইদে। মতম খরগী মতুংদদি শিংঙেল লৈরাং থম্বালগী মরমদা শৈথাবীনবা লৈররোই। পূম্নমক মীৎনা উবা ফংদ্রবা ৱারীখক্তমক ওইরকপা য়াই। শিংঙেল থম্বাল লৈরাংনা লমদমসিদগী মুৎখিবগী অমাঙ-অতোং য়েংনবদা মাঙজবগী শরুক্লা হেনগনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অসিনা ঐগী শুমাংনি, অদুনা নঙগীনি, হেঞ্জিন্নগুমসি, চঙনগুমসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুর লৈঙাক্কী নিংথৌগুম চহী ১৫ চূপ্না লৈঙাক্তুনা পানবিরম্বা এক্স চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী ৱাং-চাউবদা নত্তনা চীং লেমই অমসুং মশক মতৌসু ফজে। লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিংদা লৈতোন শেংনা, লৈশি-লৈথোন্না ৱা ঙাঙলকপদা লৈবাক মীয়াম্বু শুমহৎপা ঙমই। লৈঙাক্কী ওইবা টুর প্রোগ্রামশিংদা মতম খরা ঐহাকসু মহাক্কী ওফিসল খূৎপুদা য়াওদুনা তম্পাক্কী মফমশিংদা নত্তনা চীংগী অরাপ-অরাপ্পা মফমশিংদসু হেলিকোপ্টর তোংদুনা থৌনা ফনা চৎমিন্নখি। থুংলু-থুংলুবা চীংগী মফমশিংদা মহাক অমসুং মহাক্কী খূৎপুবু লমদমশিং অদুগী মীশিংনা নাৎকী ওইবা জগোয়নচিংবা শাদুনা য়াম্না হরাউ তরাম্না অমসুং লৈবাক মচা তানা ওকপগী থৌরমশিং পাঙথোকই। মহাক্লসু লমদমশিং অদুগী মীয়াম্বু নুংশিবা উৎতুনা চাওখৎ-থৌরাংগী মমল য়াম্লবা ৱা কয়া ঙাঙলমই। শম্না হায়রবদা, মহাক্কী থম্মোয় অসি নূংগুম কন্দুনা জঙ্গলগী নোংশাগুম মরৈবাক মণিপুরবু চেকশিন্না ঙাক শেল্লমই। অদুগা মীনুংশি ঙাক্লা চৎলকপা মতমদদি মহাক্কী থম্মোয় অসি লৈরাংগুম থোৎচৈ-নৌজৈ।

নোংশাগী থম্মোয় চেন্দুনা মতিক ময়াই লৈবা নিংথৌ অমগী মতৌগুম লৈবাক-লৈঙাক নুংঙাইনবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মশীং হেনগৎহনখি। শ্রী ওক্রম ইবোবীনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা চহী ১৫ পানখবগী মনুংদা তৌরম্বা দিষ্ট্রিক্ট মশীং হেনগৎহনখিবগী থবক অসিমদি য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইদুনা মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা ইদুনা লৈহৌরগনি। অদুগা অসিগুম্বা নুপা অসি লৈঙাকপদা নোংশাগী অকনবা থম্মোয় চেল্লগসু, অৱা-অনা, লৈত-লায়র অমদি খুদোংথীবা নংলবা মীওইশিংগী মমাঙদদি মহাক্কী থম্মোয় অসি লৈরাংদগী হেন্না থোৎলি-নৌই। অদুঙৈগী মতমদা, থোৎচরিবী-নৌজরিবী মহৈরোয় নুপীমচা লুংনিলা ইলিজাবেথনা খাঙুথক্তা লৈরাংগুম কেনখিবদা মহাক্কী কল্লে হায়রিবা থম্মোয় অদু লৈরাংদগী হেন্না থোৎতোকখি। অসুম্না নৌজরিবী লৈরাংনা খাঙুথক্তা কেনহনখিবদা, লৈমায়থক্তা শিন্থখিবা মহাক্কী অৱাবগী পিরাংশিং অদুদি লৈবাক মীয়াম্না মতম চূপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

ঙরাং নহান্দা পোকপা ঐখোয়না নীংশিংবা থোক্লিঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী পুৱারীগী মরমদা করিসু খঙবা জাৎ নত্তে। ৱাখলনা পংশা-শাবসু য়ারোই। নিংথৌরোল কয়া পাল্লক্তুনা, মণিপুর মশাগী ফুরুপশিং অসি ঐগী-মীগী নাইদনা নুংশি-চান্ননা মফম খুদিং খুন্দা লৈতামিন্নদুনা পংলৈ লৈমিন্নরকই। দিষ্ট্রিক্ট হায়বা লৈরম্বা জাৎ নত্তে। ঐখোয় পূম্বনা খঙমিন্নগদবা অমনা, করিগুম্বা মণিপুরনা মচেৎ-মচেৎ কায়খিবা থোক্লবদি ফুরুপ খুদিং মমা-মপা লৈত্রবা, হৌরকফম মশক খঙদ্রবা, পুৱারীসু লৈজদ্রবা অতোন-অতাগুম মফম খুদিং পুংচায় চায়দুনা চাক্লি-ফিনি তৌরগা মীনাই অমদগী হেন্না তোনবা পুন্সি মরেল অমা লেনবদি শোয়দ্রে। অমগা অমগা লম মুন্নদুনা মীতৈ-লেন্দ, মৈতৈ-লেন্দ, পাঙল-লেন্দ, কবুই-লেন্দ, নাগা-লেন্দ, কুকি-লেন্দ, গোরখা -লেন্দ, চিরু -লেন্দ অসিনচিংবা ফুরুপ-ফুরুপ্তা বেজ তৌরগা অপিক-অপিকপা ৱাখলগী অপিক-অপিকপা ওইহৈদবা লৈবাকশিং শেমদুনা লৈবা, ঙাক্কনি হায়বা মঙলানশিং অদুদি হন্দক্কী তাইবঙপান অসিদদি ওইথোক্লরোই। করিগুম্বা নম্ফুদা ওইথোকহন্নবা হোৎনরকপা তারবদি এটোম-বোমদগী হেন্না শাথিবা সোসিও-পোলিটিকেল বোম ওন্থোরক্তুনা শাথীবা মওংদা পোকখায়রকপদি শোয়দ্রে। মতম অদুদা ফুরুপশিংগী লাইবক কমদৌগনি।

অমরোমদা মশাগী তোপ তোপ্পা পুৱারীগা মালেমদা নীংখা তম্না লৈজরম্বা মণিপুরনা পুমখেন-খেন্নবা পুৱারী লৈবা অচৌবা লৈবাক ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনখিবদগী, ইন্দিয়া মশাগী নেসনল ইন্টরেষ্টতদা হেন্না থৱায় য়াওশিনবা লৈবাক মনুংগী অমসুং মপানগী ওইবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া মতম মতমগী মথং-মথং চত্থরকই। অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওংশিং অসি খরা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা শিংনরক্তুনা তায়োন্নবা ওইরকই। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুর অমসুং মহাক্কী মশীং য়ামজদ্রবা অশেংবা মচাশিং (ফুরুপশিং) অসি পূন্না মালেম অসিদগী মুৎখিগদ্রা হায়দুনা মীপায়জবদগী অহিং-নুংথিল, তূম্বা-চাবা খঙদবমখৈ ইমা লৈবাক মণিপুরবু কন্দবা য়াদে হায়দুনা থৱায় থাবা ফাওবা কিদবা মীচম-মীয়াম কয়া লৈরিবসিনি। য়াম্না লাইবক থীরিবদি, অসুক লুরবা তাঞ্জা অসিদা, ঐখোয় খরদি অসিনা ঐগী শুমাংনি, অদু ফাওবনা নঙগীনি, খোঙফম মচেৎ অমফাওবা হেঞ্জিন্নগুমসি, হেঞ্জিল্লবদি নঙ খঙগনিদো হায়বগী অপিকপা ৱাখল্লোন চেনবা য়াওনরি। মসিগী মহুৎতা পূন্না নুংশি চান্ননা য়াম্না সিভিলাইজ ওইবা ৱাখল্লোন্দা লৈমিন্নদুনা মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনহৌবনা হেন্না মরম চাগনি খঞ্জে। ঐখোয় ইশা ইশাবু মশক তাক্লবা হোৎনবদা ইমা-ইপাগী মমিং, লৈফম-হৌরকফম, লোল-ময়েক, কলচর-ত্রেদিসন অসিনচিংবগী ৱাহং কয়া চোংথোরকই। মরম অসিনা মণিপুর ইমা লৈবাকপু কনবা হায়বসি মহাক্কী অশেংবা মচা ওইরিবা ফুরুপশিংগী তঙাইফদ্রবা অশেংবা মথৌদাংনি।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসি মৱা-মনিল নাইদনা লৈঙাকপদা খুদোংচানবা ফুরুপশিং অসি নাপাক-নাপাক তাননা লৈবগী মহুত্তা পূন্না নুংশিননা লৈমিন-চামিন্নবা য়াহনবা অমদি দিষ্ট্রিক্টশিং অসি চাউবা মাননা চপ চানা ঙমখৈ য়াৎথোকপা তঙাইফদে। অসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী পুৱারী ফাক্তোকপীদুনা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লৈরিবা ইন্টর ষ্টেট অমসুং ইন্টরনেসনলগী ঙমখৈগী ৱাথোক অসিসু য়ারিবমখৈ থুনা নাখৈ অমা শেংহৌবা মথৌ তাই। চরা হেনবা, শিবা-চঙবগী ৱাখলদি লায়রদনা, মরৈবাকপু নুংশিজবা থৌনা-লিংজেল লৈবা নিংথৌরেলশিংদি মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মরৈবাক্কী ঙমখৈ অমসুং মহাক্কী লৈবাক মীয়াম ঙাক্লবগী লান কয়া শোক্লখি।

মথক্তা পঞ্জরিবা ঙমখৈগী ইস্যু অসিমতংগা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চহী ৫গী মনুংদা নাখৈ অমা তংতানা শেংদোকপীরম্লবদি, লৈঙাক অসিগী লুচিং পুরেল ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরবু লৈবাক মীয়াম্না শক্ল-শোন্নহৌদুনা মণিপুরগী পুৱারীদা অচৌবা মফম অমা কনগনি খঞ্জে।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For
2nd FOUNDATION COURSE
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution - Sunday & Holiday (Morning)
CLASS COMMENCE : 15TH JULY 2019

| PHYSICS FACULTY | MATHS FACULTIES | BIOLOGY FACULTIES | CHEMISTRY FACULTIES | ENGLISH FACULTY |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| Madam Tamphasana<br>Former Lect. HRDA<br>St. Joseph's School<br>Maria Montessori Sch. | 1. Sir Basanta Singh<br>Former Lect. HRDA<br>1. Sir Ingobi<br>Lect. ADVANCE School | 1. Miss Lunphasana<br>Former Lect. HRDA<br>1. Sir Romharsha<br>Lect., KP College | 1. Miss Nuja<br>Lect. ..................Sch.<br>2. Miss Saroja<br>Lect. MEM Hr. Sec. Sch. | Sir Sushil Singh<br>Former Lect.<br>Little Master School<br>KP College & DAV School |

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)
HL-B/5552/16-31st july

## মরোল থোকপা লাই

